**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10.05.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ১০-০৫-২০২৪, ইরাই)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল আর.কে.গোরানিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - লেন য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎতা য়ুম কৈ অমাং অতা নংখ্রবা ইমুংশিংদা জিঙ্ঘ য়েন্থোকপা হৌরে।

২) মনিপুরদা থোকখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু নেসনেল দিজাস্তরনি লাউথোকপিয়ু হায়না এম.পি.সি.সিনা প্রধান মন্ত্রিদা অইবা চেরোল থাখ্রে।

৩) পাউমী অমগী য়ুমদা খুৎলায় পায়বশিংনা কিহল্লম্বগী থৌওং অমজ্ অমদি এদিতরস গিলস মনিপুরনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে ।

৪) রাজ্য অসিদা থোকখিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরিবা নহাশিংগীদমক স্কিল ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি হৌদোকখ্রে।

**অমসং**

৫) দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি আরবিন্দ কেজ্রিৱাল সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি নুমিৎ ২১ নিগী ইন্তরিম বেল পীখ্রে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**বিরেন(এল)ঃ** হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা চুখিবা লেন য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎতা য়ুম কৈ অমাং অতা নংখ্রবা ইমুংশিংদা জিঙ্ঘ য়েন্থোকপা হোরে হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি ।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোস্ত অমদা শ্রী বিরেননা হায়- দি.সিশিংগী খুথাংদা জিঙ্ঘশিং অদু য়েন্থোকপা হৌখিবনি। লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা য়ুম কৈ অমাং অতা নংখ্রবা ইমুং খুদিংমক সরকারগী মতেং অসি য়ৌহন্নবা হোৎনরি। নিংশিংবা য়াই থা অসিগী ৫ গী নুংথিলদা চুখিবা লেন য়াওবা অকনবা নোং অদুদা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা য়ুম কৈ অমদি মহৈ মরোং কয়া অমাং অতা থোকখিবনি। মদুগীদমক সরকারনা মতেং পীগনি হায়না লাউথোক্লবা মতুংদা হকথেংননা শোকহল্লবা ইমুংশিংনা মরী লৈনবা এস.দি.ওগী খুথাংদা খঙহল্লকবা সরকারনা হুকুম অমা থোকখিবনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং থৌবাল জিলাগী ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ মখায় ফাওবদা চে চাং থাজিল্লকবা খঙহনখিবনি। অমরোমদা, এম.এল.এ খরা অমদি তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা মতেং পাংবগী থবকসু চৎথরি।

**কংগ্রেস(এল)ঃ** মনিপুরদা থোকখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু নেসনেল দিজাস্তরনি হায়না লাউথোকপিয়ু হায়না মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতি এম.পি.সি.সিনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা অইবা চেরোল থাখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎতা থোকখিবা নোংলৈ নুংশিৎনা অমা অতা থোকহনখ্রবা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী নাওরিয়া পাখঙলাকপা কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা য়ুমশিং ঙসি এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ত কে. মেঘাচন্দ্রনা লুচিংবা কাংবু অমনা য়েংশিনখি। খোংচৎ অদুদা শ্রী মেঘাচন্দ্রনা হায়- নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা মরম ওইরগা শোকহল্লবশিং অসিগীদমক রাজ্য সরকারনা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলি। মহাকা হায়- লাইবক থীবা থৌদোক অসিগীদমক রাজ্যে সরকারনা ষ্টেট দিজাস্তর রিলিফ ফন্দদগী লুপা কোতি ৬ লাখ ৯০ কায়থোকখ্রে। অদুবু হায়রিবা শেনফম অসিনদি অমাং অতা অসি কোকহনবা ঙল্লোই ।

এম.পি.সি.সিগী মায়কৈদগী প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা ঙসি অইবা চেরোল অদুদা মহৌশানা থোকহনবা অমাং অতা অসিদা অৱাবা নংলবশিংগীদমক কেন্দ্র সরকারদগী রিলিফকী শেনফম ওইনা লুপা কোতি ২০০ অথুবা মতমদা কায়থোকপিয়ু অদুগা থোক্লিবা অসি নেসনেল দিজাস্তরনি হায়না লাউথোকপীগদবনি হায়না খঙহনখ্রে হায়রি।

**--সাউন্দ মেঘাচন্দ্র--**

**কোকোমি(এল)ঃ** হন্দক লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎখিবা অদুনা লৌমীশিংদা চাউনা অমাং অতা থোকহল্লে । মসিগীদমক সরকারনা রিলিফ মেতিরিয়েলশিং পীবা মতমদা রাজনিতিগী খুৎ য়াওবিগনু হায়না কোওর্দিনেতিং কম্মীতি ওন মনিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি) না হায়রি ।

লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- অৱাবা নংলবা লৌমীশিংদা সরকারনা অথুবা মতমদা তেংবাং পোৎলমশিং রাজনিতিগী খুৎ থীংজন্দনা ফংফম থোকপশিংদা ফংহনবিয়ু হায়রি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- সরকারনা পীগদৌরিবা তেংবাং পোৎলম খুদিংমক জিলা খুদিংমক্কী দি.সি অমদি এস.দি.ওগী খুথাংদা য়ৌহনবিনবা আপিল তৌরক্লি।

**থৌবাল (এল)ঃ** হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা থৌবাল জিলাগী ইকোপ পাৎকী অকোয়বদা লৈবা লৌ পারি ৩০ রোমদা থাবা অঙন ফৌ মাং তাকহনখ্রে।

থৌবাল নিংঙোম্বম অমসুং সনাও তোম্বদগী লৌমীশিংনা ইকোপ পাৎ অমসুং কংফালগী তাইনবা মফমদা লৈবা লৌফম চাওরকা লৌ পারি ৩০ রোমদা উরিবা লৌফমশিংদা হৌজিক ফৌ শাৎপা য়াওরেখরনা শাৎকদবগী লংচাক লাকপা য়াওরবনি। অদুবু হায়রিবা ফৌশিং অসি নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা পাক্তকনা লেননা ফুখখিবদগী ফৌশিং অসি লৌবা য়াদ্রে। হিরম অসিগী ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী সোইবম বিনোইগা অখন্ননা উনবা অমদা লৌমী অমনা হায়- লৌকোন অসিদা

মহাক মশাগী লৌ পারি অহুম অঙন ফৌ থাবনি। অদুবু নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা ফৌ অমত্তা লৌবা য়াদ্রে । সরকারনা অৱা অনা তারবশিংগী তেংবাং পীরিবা অসিদা লমদম অশোমগী অমাং অতা নংলবা লৌমীশিংদসু পীবা য়াবা তেংবাং পীবিয়ু ।

**দেদ(এল)ঃ** হায়কোট ওফ মনিপুরগী জজ এ.গুনেস্বরগী য়ুমদা হাউস গার্দ ওইবা আই.আর.বিগী জৱান অমা মশা মথন্তা নোংমৈনা কাপশিনজদুনা লৈখিদ্রে হায়রি। থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৯ মুক তারকপা অদুৱাইদা আই.আর.বি জৱান অদুনা মথৌ তৌবা বেরেক্তা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা মীওই অদু ইম্ফালা ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা হাওবম মরক কৈশাম লৈকায়দগীনি। অশিবা হকচাং অদু জেনিমস মোর্গতা থমখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা থীজিন্নবা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

**দেদবোদি(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা পুরুকশৌবি লাইফমলেন মনাক্কী কোংবা তুরেল তোর্বানদা নুপী অমগী অশিবা হকচাং লৈরেল্লে হায়রি। ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী কাংবু লাক্তুনা অশিবা হকচাং অদু জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি ।

--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা--(বাবিনা)

--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --

**অমজ্(এল)ঃ** ওল মনিপুর ৱার্কিং জরনেলিস্ত য়ুনিয়ন অমজগী আর.টি.আই সেলগী মেম্বর অমসং ইম্ফাল টাইমসকী পাউমী অমগী ময়ুমদা ঙরাং নুমিদাং খুৎলায় পায়বশিংনা কিহল্লম্বগী থৌওংবু অমজ্ অমদি এদিতরস গিলস মনিপুর(ই.জি.এম)না কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি।

লুপ অনি অসিনা পুন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়-ইম্ফাল টাইমস পাউচেদা ফোংখিবা পাউ অমগা মরী লৈননা পাউমী অসিদা কীহল্লম্বগী থৌওং অসি হকচিন্না লৌই। লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা ঙসি মনিপুর প্রেস ক্লবতা লুপ অনি অসিগী অপুনবা মীফম অমা ফমদুনা ৱারেপ কয়া লৌখি হায়রি। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা পাউমীশিংবু মচিন মেন্নবা হোৎনবগী থৌওং য়ানিংদে হায়বনচিংবা য়াওরি । রাজ্য সরকারগী মরী লৈনবশিংনা আইনগী ওইবা মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি । নুমিৎ ৫ নি ফাওবগী মনুংদা থবকশিং অসি লৌখৎলক্ত্রবদি অমজ্ অমদি ই.জি.এম অকনবা খোঙজংশিং চংশিনগনি হায়রি।

**স্কিল(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা থোকখিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরিবা নহাশিংগীদমক স্কিল ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি হৌদোকখ্রে। মনিপুর সরকারগী টুরিজম ,হকশেল অমসুং য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস বিভাগনা শিন্দুনা কোনুং মমাংদা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ত সোসাইতিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা য়ুথ কোচ লেবেল ৱান সার্তিফিকেট প্রোগ্রামসু হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা জিরিবাম জিলাগী মনুং চনবা বোরোবেক্রাদা শাবা প্রাইমরি হেলথ সেন্তর অমসু ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ঙসিদগী মথৌ তৌবা হৌহনখি। সুপ্রিম কোর্টনা শেমখিবা কম্মীতি ওন রিলিফ এন্দ রিহেব্লিতেসন হন মনিপুরগী চিয়র পরসন জস্তিস গিতা মীতলনা থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুংংলেন ওইখি। মহাকা হায়- ঙসি হৌদোক্লিবা ত্রিনিং প্রোগ্রাম য়াওনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অসি তোঙান তোঙানবা হিরমদা খঙ হৈরবা এক্সপার্টশিংগা কুপা তান্নরবা মতুংদা পায়খৎপনি। মসিনা হৌরক্লিবা নহাশিংদা থবক পীবদা নত্তনা শান্নাখোৎনবদা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা হকচাং ফনা লৈহন্নবা পান্দম থল্লি। গিতা মীতলনা হায়-

**--সাউন্দ মিতল--**

**আইন(এল)ঃ** ভারতকী অনৌবা আইন অহুম, ভারত্যা ন্যাই শনহিতা ২০২৩, ভারত্যা নাগারিক শুরক্সা শনহিতা ২০২৩ অমসুং ভারত্যা শক্সীয়া অধিনিয়ম ২০২৩ গী মতাংদা ঙসি মনিপুর য়ুনিভার্সিতিদা খন্না নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। য়ুনিভার্সিতি অসিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদু য়ুনিভার্সিতি অসিগী লো দিপার্টমেন্তনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মনিপুর য়ুনিভার্সিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর নাওরেম লোকেন্দ্র হায়- বৃটিশনা পাল্লিঙৈ মতমদা লৈবাক অসিদা আইন কয়া শেমলমখি। মদুগী মনুংদা ইন্দিয়ন পেনেল কোদ, ইন্দিয়ন ইভিদেন্স এক্ট অমসুং সি.আর.পি.সি য়াওরি। অদুবু আইনশিং অদু মতমগী মতুং ইন্না শেমদোক্তবা য়াদবনা অনৌবা আইন অহুম অসি শেমদুনা সংসদতা পাস তৌখিবনি । হায়রিবা আইন অহুম অসি জ্লাই থাদগী চৎনবা হৌরগনি। মসিনা লৈঙাক শাশনগী লমদা অহোংবা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

**লামলি(এল)ঃ** মুতুৱা বাহদুরনা ইবা বেল মেতল ক্রাফস ইন মনিপুর - মনিপুরদা কোল-লিক হায়বা লাইরিক অমা ঙসি লম্ফেলদা লৈবা হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলস দাইরেক্তোরেটতা ফোংখ্রে। লাইরিক অসি মনিপুরগী কুইরবা মতমদগী লৈরকপা অরিবা কোল লিক মখলশিংগী মরমদা ইবনি।

হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলসকী দাইরেক্তর কে. লামলি কামৈনা লাইরিক অদু ফোংলদুনা হায়- লুহোং খোংদোংবা অমদি লাই-তিনগী থৌরমশিংদা শিজিন্নবা শেঙ্গা অসি জি.আই.তেগ লৌনবা দরকার লৈবা চে চাংশিং থাখ্রে। মহাকা হায়- অরিবা কোল লিকশিংদা হকলিবা ময়েকশিং অসি রাজ্য অসিগী ফীশাবিশিংনা ফীশাবদা হকতুনা হাপ্লবদি ফজবা ফীগী মখল পুথোকপদা নত্তনা ঐখোয়গী অরিবা ময়েকশিং য়োখৎতুনা থম্বা ঙমগনি।

**--সাউন্দ লামলি--**

থৌরম অদুদা হন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলসকী জোইন্ত দিরেক্তর ই.জিতেন সিংহ অমদি মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**সেন্তর (এল)ঃ** মঙশাতবম সুবিতা দেবী হ্যুমেন রিছোর্স সেন্তর কৌবা সেন্তর অমা ঙসি কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়দা হাংদোকখ্রে। সেন্তর অসিদা নুপী মচাশিংগী হোস্তেল,কোচিং সেন্তর, ক্লিনিক, মিনি হোস্পিতাল অমসুং তোঙান তোঙানবা লালোন ইতিক্কী মফমশিং পুন্না শেমগৎতুনা মীয়ামদা অহোংবা মমলদা কান্নবশিং পীন্নবা হোৎনরি।

**কেম্প(এল)ঃ** কামজোং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিনা ওল তাঙ্খুল মেদিকোস এসোসিয়েসনগা খুৎশমদুনা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ফ্রি সরজিকেল কেম্প অমা ঙসিদগী কামজোং কম্যুনিতি হেলথ সেন্তরদা হৌখ্রে।

জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসনগী মতেংগা লোয়ননা পাঙথোকপা কেম্প অসিদা ঙসি মীওই ৪ না মেজর সরজরি অদুগা মীওই ৪৫ না মাইনর সরজরি তৌনবগীদমক রেজিস্তর তৌখি হায়রি।

**সেনাপতি(এল)ঃ** সেনাপতি জিলাদা ফৌ থাবগী ফেস্তিবেল পাউকি ঙসি হৌদোকখ্রে। ফেস্তিবেল অসি মনিপুর সরকারগী টুরিজম দিপার্টমেন্তগী মখাদা পুরুল য়ুথ এন্দ ষ্টুদেন্স ওর্গনাইজেসননা টুরিজম চাউখৎনবগী পান্দমদা শিনবনি। ফেস্তিবেল অসিদা মাও কাউন্সিল, পাউমাই, নাগা য়ুনিয়ন,জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন, সেনাপতি অমদি জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী নহাশিং শরুক য়াখি। ফেস্তিবেল অসিগী শরুক অমা ওইনা রেস্তলিং কম্পীতিসনসু পাঙথোকখি।

**এথেলেতিক্স(এল)ঃ** রাজ্য থাক্কী ৪৩ শুবা এথেলেতিক্স চেম্পীয়নসিপ ২০২৪ ঙসিদগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে। এথেলেতিক্স এসোসিয়েসন ওফ মনিপুরনা শিনবা চেম্পীয়নসিপ অসি থা অসিগী ১২ ফাওবা চথগনি। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা নেসনেল স্পোর্টস একাদমিগী প্রিন্সিপল রনবির , নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভার্সিতিগী রেজিস্তর এল .দেবমনি , জেম পব্লিক স্কুলগী পৌরাবিগী প্রিন্সিপল ৱাহেংবম জয়মেনজয় মীতৈ অমসুং এথেলেতিক্স এসোসিয়েসন মনিপুরগী হান্নগী জেনরেল সেক্রেটরি জি.মনোরঞ্জন শর্ম্মা শরুক য়াখি।

## ---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---

**কেজ্রিৱালঃ** দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি আরবিন্দ কেজ্রিৱাল ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা নুমিৎ ২১ নি ইন্তরিম বেল পীখ্রে। লিকর পোলিসি স্কেমগা মরী লৈনবা মণি লোন্দরিং কেস অমদা চেন্নে হায়বা মরালদা আম আদ্মী পার্টিকী লুচিংবা অসি জেলদা লৈরকখিবনি।

১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট খোন্বদা শরুক য়াহনবিনবা আরবিন্দ কেজ্রিৱালনা ইন্তরিম বেল পীবিনবা সুপ্রিম কোর্টতা হায়জখিবনি। জস্তিস সঞ্জিভ খানা অমসুং দিপাঙ্কর দত্তাগী বেঞ্চনা কেস অদুগী মতাংদা কুপা খন্নরবা মতুংদা ইন্তরিম বেল পীখিবনি। অমরোমদা, অরবিন্দ কেজ্রিৱাল ফাবদা ইনফোর্সমেন্ত দাইরেক্তোরেটনা থেংথাখি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি।

অমরোমদা, সুপ্রিম কোর্টকী হুকুম অদুবু আম আদ্মী পার্টিনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি। দল অসিগী লুচিংবা গোপাল রাইনা হায়- ভারতকী সংবিধানবু থাজবশিংদা সুপ্রিম কোর্টকী হুকুম অসিনা অনৌবা মঙলান অমা পীরে। হুকুম অসিনা অচুম্বনা মায় পাকলে হায়বদু তাক্লে হায়খি।

**মেট (এল)ঃ** মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক ভারতকী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী অককবা মফম খরদা নোং তাগনি।

মপুংওইনা অরুনাচল প্রদেশ, মেঘালয়, নাগালেন্দ, অসাম, মিজোরম অমসুং ত্রিপুরা য়াওরি। রাজ্যশিং অসিদা মখা তানা লাক্লিবা নুমিৎ ৭ নি রোম অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা পাক শন্না নোং তারবা য়াই হায়রি।

**মীখলঃ** লোক সভা মীখলগী মরি শুবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী মতম হয়েং লোইরগনি। রাজনিতি দলশিংগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা মাগী মাগী মীরেপশিংগীদমক লৈজবি থাদুনা ভোট খোমরি ।

বি.জে.পি লুচিংবা জে.পি নদ্দনা হারিয়ানাগী পঞ্চকুলাদা পাঙথোকপা মীখলগী রোদ সোদা শরুক য়ারদুনা হায়- কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং লুচিংবা অসিনা শিংথাখিবগা লোয়ননা কংগ্রেস দলবু শেঞ্জা থুমজাদা থৱাই য়াওবা দলনি হায়না মরাল শীখি।

কংগ্রেসকী জেনেরেল সেক্রেটরি প্রয়াঙ্কা গান্ধি ভদ্রনা রাইবরেল্লিদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনশিংদা শরুক য়াখি। মহাকা হায়-কংগ্রেসনা সরকার পায়রবদি দলগী মেনিফেষ্টোদা হায়খিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্কনি। বহুজন সমাজ পার্তি লুচিংবী কুমারি ময়াৱাতিসু মফম কয়াদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনদা শরুক য়াখি।

## --অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --

১)  মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - লেন য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎতা য়ুম কৈ অমাং অতা নংখ্রবা ইমুংশিংদা জিঙ্ঘ য়েন্থোকপা হৌরে।

২)  মনিপুরদা থোকখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু নেসনেল দিজাস্তরনি লাউথোকপিয়ু হায়না এম.পি.সি.সিনা প্রধান মন্ত্রিদা অইবা চেরোল থাখ্রে।

৩)  পাউমী অমগী য়ুমদা খুৎলায় পায়বশিংনা কিহল্লম্বগী থৌওং অমজ্ অমদি এদিতরস গিলস মনিপুরনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে ।

৪)  রাজ্য অসিদা থোকখিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরিবা নহাশিংগীদমক স্কিল ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি হৌদোকখ্রে।

## অমসং

৫)  দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি আরবিন্দ কেজ্রিৱাল সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি নুমিৎ ২১ নিগী ইন্তরিম বেল পীখ্রে।

## --- পাউ লোইজরে---